# য়ুক্রেনগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ভিক্তর য়ানোকোভিচনা জেলেন্সকিদা ঈখেং তান্নবা লেপ্পনবা তকশিনখ্রে



মোস্কো, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):
কুমজা ২০১৪ দা য়ুক্রেনদা অকনবা প্রোটেষ্ট চথরিঙৈ মনুংদা লৈঙাক্কী পৱারদগী চিংথুখিবা লৈবাক অসিগী মরিশুবা প্রসিদেন্ট ভিক্তর য়ানোকোভিচনা হৌজিক লৈরিবা লৈবাক অসিগী লুচিংবা ভোলোদিমির জেলেন্সকিদা ঈখেং তান্নবা লেপ্পনবা তকশিনখ্রে।

হৌজিক রসিয়াদা লোই চত্তুনা লৈরিবা য়ানোকোভিচনা হায়খ্রে, মদুদি মহাক্না ভোলোদিমির জেলেন্সকিদা প্রসিদেন্সিএল কেপাসিটিদা ৱাফম অসি খঙহনবা পান্মী। অমরোমদা, মপা অমগুম্না মঙোন্দা আপিল অসি তৌরি হায়না মোস্কোদা বেজ তৌবা রিয়ানোভোষ্টি ন্যুজ এজেন্সিগী পাউ পল্লদুনা য়ুক্রায়িন্সকা প্রাভদানা হায়রি।

হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি মহাক্কী এদভাইজর কয়া লৈ হায়বসি ঐহাক্না খঙই, তৌইগুম্বসুং ঈখেং তান্নবা লেপহন্দুনা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবগী এগ্রিমেন্ট অমা পুরকপা হায়বসি মহাক্কী থৌদাংনি। মোস্কোগা য়ান্নবা হান্নগী লুচিংবা অসিনা হায়, য়ুক্রেন, দোনবাস অমসুং রসিয়া খুদিংমক অসিনা মসি পান্মী। ঈখেং তান্নবা লেপহল্লবদি য়ুক্রেনগী মীয়াম অমসুং নোংচুপলোমগী মহাক্কী পার্টনরশিংনা নঙোন্দা তৌবীমল খঙবা উৎকনি। য়ানুকোভিচনা ইখঙ খঙহৌদনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন ইয়ুগা ফ্রি ট্রেদ এগ্রিমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনদনবা অমদি পোলিটিকেল এসোসিএসন অমদা সাইন তৌদনবা ৱারেপ লৌরকপদগী কুমজা ২০১৩ গী নবেম্বরদা য়ুক্রেনদা য়ুরোমাইদন হায়না খঙনখিবা অচৌবা প্রোটেষ্ট অমা পাক শন্না শীন থুংনা চথখিবনি।

হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিনা ইয়ুগা ফ্রি ট্রেদকী এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনবা অমদি পোলিটিকেল এসোসিএসন অমদা খুৎয়েক পীবগী মহুত্তা রসিয়া অমসুং য়ুরেসিয়ন ইকনোমিক য়ুনিয়নগা ওইনা হেন্না নকশিন্নবা মরী থম্নবা লেপখি। য়ানুকোভিচ মফম থাদোকউ হায়না পাক শন্না দিমান্দ তৌবা মরক্তা পার্লিয়ামেন্টনা এপ্রুভেল পীবা লৈনা লৈনা রসিয়ানা য়ুক্রেনদা য়ুক্রেনিয়ন-য়ুরোপিয়ন এসোসিএসন এগ্রিমেন্টদা খুৎয়েক পীদনবা প্রেসর পীবদগী প্রোটেষ্ট লেপ্তুনা চথখি। কুমজা ২০১৪ গী জনুৱারী-ফেব্রুৱারীদা লৈবাক অসিগী কেপিটেল কিভতা প্রোটেষ্ট পাক শন্না চথখিবদা দেমোন্সট্রেটর ১০৮ অমসুং পুলিস ওফিসিএল ১৩ শিখি।

য়ুক্রেনগী পুৱারীদা খ্বাইদগী শাথিবা ইৱাং থোক্লকখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৪ গী ফেব্রুৱারী ২২ দা লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্টতা ভোট লৌনদুনা য়ানুকোভিচপু ওফিসতগী লৌথোকখি। য়ানুকোভিচনা পার্লিয়ামেন্টকী ভোট অদু ইল্লিগেল ওই হায়খি। তৌইগুম্বসুং মায়কৈ কয়াদগী অকনবা প্রেসর পীবদগী মহাক রসিয়াদা চেনখি।

মহাক্না রসিয়াদা চৎখ্রবা মতুংদসু য়ুক্রেনগী খা অমসুং নোংপোক থংবা লমদমশিংদা মখা তানা ইৱাং থোকখি। ইৱাং অদুদা রসিয়ানা খুৎ থিংজিনখি অমসুং মতুং তাবদা ক্রিমিয়ন পেনুনসুলা লৌশিনবগা লোয়ননা দোনেটস অমসুং লুহান্স হায়বা ষ্টেট অনী শেম্লে হায়না য়ুক্রেনিয়ন ওথোরিটিশিংগী মায়োক্তা লান হৌরিবশিংনা লাউথোকখি।

# পাকিস্থাননা ৱাতেমদুনা রসিয়া-য়ুক্রেন কনফ্লিক্ট নেমথহন্নবা শেম শারে: ইস্লামাবাদ



ইস্লামাবাদ, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):
মোস্কো অমসুং কিভনা লান কন্না শোক্নরিঙৈ মরকসিদা ৱাতেমদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা উংখৎনবা ফিভম হন্থহন্নবা হোৎনবদা থোইদোক হেন্দোকপা থৌদাং লৌনিংবগী অপান্বা পাকিস্থাননা ফোঙদোকখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা ট্যুটর পোষ্ট অমদা খাননা হায়খি, ঙসি অঙনবদা ঐহাক্না ইয়ু কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট চার্ল মিসেলগা য়ুক্রেনগী ফিভমগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। মিলিটরি কনফ্লিক্ট লেপ্তুবগী ফিভমদা নুংনাংবা ফোঙদোকখি অমসুং কনফ্লিক্ট অসিনা চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংগী শেল থুমগী ফিভমদা পীগদৌরিবা চৈথেং হাইলাইট তৌখি অমসুং সিজ ফায়র অমদি উংখৎনবা ফিভম হন্থহন্নবগী খোঙথাংশিং থুনা লৌখৎপা মথৌ তাই হায়বসি থমখি।

ৱারী শান্নবা অদুদা ঐহাক্না হ্যুমেনিটরিয়ান রিলিফকী মরু ওইবা পনখি অমসুং দাইলোগ অমসুং দিপ্লোমেসিগী খুথাংদা সোল্যুসন অমা পুরক্নবগী ৱাফম অমুক হন্না হৌদোকখি।

পাকিস্থানগুম্বা লৈবাকশিংনা হিরম অসিগী মতাংদা থোইদোকপা থৌদাং লৌবা য়াই হায়না ঐখোয়না য়ানখি। খাননা ৱাতেম্বগী ৱাফম হৌদোরক্লিবসি য়ুক্রেনদা লান দাবগীদমক রসিয়াবু কন্দেম তৌনবা ইস্লামাবাদতা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ইয়ু) অমসুং ৱেষ্টর্ন ব্লোকনা দিমান্দ তৌবগীদমক মহাক্না গ্রুপশিং অসিবু কন্না চৈ থাংলিঙৈ মনুংদনি।

অফঘানিস্থানগী লানদা য়াওহনবা অমদি পাকিস্থানি লান্মী অমদি মীচম লিশিং কয়া সেক্রিফাইস তৌখিবগী মতাংদা পাকিস্থানবু থাগৎলকখিবা লৈতে হায়রদুনা গ্রুপশিং অসিবু চৈ থাংবগা ইরোয়ননা খাননা ৱাতেম্বগী ওফর অসি তৌরক্লিবনি। ইয়ু, নাটো অমসুং য়ুএস পল্লগা ঙাঙবা মতমদা প্রাইম মিনিষ্টর খাননা অকনবা ৱাহৈ ৱাতাশিং শীজিন্নখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি ৱেষ্টর্ন ব্লোক্তা য়াওরুবা অদু পাকিস্থানগী খ্বাইদগী চাওবা অশোয়বা অমা ওইখি।

পনবা য়াবদি, য়ুএন জেনরেল এসেমব্লিদা রসিয়াগী মায়োক্তা ভোট লৌনবদা পাকিস্থান য়াওখিদবনি। লৈবাক অসি মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা হোৎনবদা পার্টনর অমা ওইবা পান্মী হায়রদুনা পাকিস্থাননা ভোট লৌনবা অদুদা য়াওখিদবনি।

পাকিস্থাননা কনফ্লিক্টতা কনামত্তগী পার্টনর ওইবা পামদে হায়বা ৱাফমসু থমখি। মদুদা ৱেষ্টর্ন ব্লোক্কী লৈবাকশিং ঙক্লখি। নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা রসিয়াবু কন্দেম তৌনবা অকনবা প্রেসর পীদুনসু রসিয়া-য়ুক্রেন কনফ্লিক্টতা পাকিস্থাননা নাকল অমত্তগী মীচঙ চঙদবা পোজিসন অমদা চেকশিন্না লৈরিবনি।

অমরোমদা, য়ুএসনা হায়রি, মদুদি য়ুক্রেনদা ওইরক্লিবা ফিভম অসিগা মরী লৈনবা পাকিস্থানগী রেস্পোন্সনা কুপ্না য়েংশিল্লি। য়ুএসকী এসিষ্টেন্ট রিপ্রজেন্টেটিব ফোর সাউথ এন্দ সেন্ট্রেল এসিয়া খৃষ্টোফর ৱিলসন্না হায়খি, মদুদি রসিয়াগী শেল থুমগী থবক থৌরম অপুম্বা ফেল ওইহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা ৱাশিংতন অমসুং ইয়ুনা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা শেল থুমগী অথিংবশিং থমখ্রবনি।

অমরোমদা, পাকিস্থান অসি লল্লোন ইতিক অমদি ফোরেন দাইরেক্ট ইনভেষ্টমেন্ট এফদিআইগী মতাংদা য়ুএস অমসুং য়ুরোপকী মপান চাওনা তাংদুনা লৈরিবনি।

# চহী ২ থিংলুরবা মতুংদা কানাদাগী ঈশিংদা ক্রুজ জহাজ চঙবা য়ারগনি



ওটৱা, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):
কোভিদ ১৯ পেন্দামিক্না মরম ওইদুনা চহী অনী চুপ্না অথিংবা থম্লকখ্রবা মতুংদা লাক্লিবা এপ্রিলদগী কানাদাগী ঈশিংগী শরুক্তা ক্রুজ জহাজ শিং চঙলকপা য়ারগনি হায়না ট্রান্সপোর্ট কানাদানা লাউথোকখ্রে।

ট্রান্সপোর্ট কানাদাগী মতুং ইন্না ক্রুজ জহাজ শিংগী ক্রু অমসুং পেসেঞ্জরশিং কোভিদ ১৯ গী মায়োক্তা মপুং ফানা ভেক্সিন কাপকদবনি। চহী ১২ মখাগী পেসেঞ্জরশিং অমদি মেদিকেল একজেম্পসন লৈবা পেসেঞ্জরশিংদমক ভেক্সিন কাপত্রবসু য়াগনি। পেসেঞ্জরশিংনা জহাজ অমদা তোঙখৎপদা কোভিদ ১৯ টেষ্ট নেগেটিব ওইবগী রিপোর্ট চঙগনি। জহাজ তোংগদবা পুং ৭২ গী মমাঙদা পিসিআরগুম্বা মোলিক্যুলর টেষ্টশিং য়াগনি। এন্টিজেন্ট টেষ্টকী ওইরবদি জহাজদা তোংগদৌরিবা নুমিৎতুগী মনুংদা লৌগদবনি।

লোকেল / প্রোভিন্সিএল হেল্প গাইদ লাইনশিংগী মতুং ইন্না ক্রুজ জহাজশিংদা তোংবদা মাস্ককী রুলশিং চৎনগনি। পেসেঞ্জরশিংনা জহাজতগী কুমদ্রিঙৈগী মমাঙদা অতোপ্পা কোভিদ ১৯ টেষ্ট তৌবা য়ানবা জহাজশিংদা টেষ্টিং ফেসিলিটিশিং লৈহনবসু মথৌ তাই।

ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর ওমার অলগাব্রানা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়গী টুরিজম সেক্তরগী মরু ওইবা শরুক অমা ওইরিবা ক্রুজ জহাজশিং ঐখোয়না অমুক হন্না তরাম্না ওক্লি। মরু ওইবা ইন্দষ্ট্রি অসি সপোর্ট তৌনবগীদমক ঐখোয়না পার্টনরশিংদা মখা তানা থবক তৌমিন্নখিগনি।

ক্রুজ জহাজ সেক্তর অসিনা কানাদাগী ইকনোমিদা দোল্লর বিলিয়ন ৪০ হেন্না কন্ট্রিব্যুট তৌরি। সেক্তর অসিনা মীওই লিশিং ৩০ রোম থবক পীরি। কোভিদ ১৯ লাকশিন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা কুমজা ২০২০ গী মার্চ ১৯ দা অহানবা ওইনা কানাদাগী ঈশিংগী শরুক্তা ক্রুজ জহাজশিং চঙলকপা থিংখিবনি।

# নেসনেল গার্দ শীজিন্নবগী মতম শাংদোকখ্রে

ৱাশিংতন, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):
ট্রকরশিং অমসুং অতৈ দ্রাইভরশিংগী কনভোই অমা কেপিটেল বেল্টৱেদা হল্লকখিবগা লোয়ননা পেন্টাগোন্না ৱাশিংতনদা নেসনেল গার্দ শীজিন্নবগী মতম শাংদোক্লবা লেপ্লে হায়না পেন্টাগোন্না লাউথোকখ্রে।

পেন্টাগোনগী প্রেস সেক্রেটরি জোন কির্বিগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, নেসনেল গার্দ মেম্বরশিংনা মখা তানা কেপিটেল এরিয়াগী অকোয়বা য়াওনা সিটি অসিগী ট্রাফিক্ট কন্ট্রোল পোইন্টশিংদা সপোর্ট পীখিগনি অমসুং মখোয় য়ুমশকৈশ ফাওবা দিপ্লোই তৌগনি।

ট্রাফিক্তা মতেং পাঙনবগীদমক হৌখিবা থাদা দিফেন্স সেক্রেটরি লোইদ ওষ্টিন্না খুৎলায় পায়দবা নেসনেল গার্দ ট্রুপ ১৭০০ ফেব্রুৱারী ২৬ তগী মার্চ ৭ ফাওবা ৱাশিংতন দিসিদা দিপ্লোই তৌবগী অয়াবা পীখি।

কনভোই অদু কোভিদ ১৯ গী অথিংবশিংগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌনবগীদমক নিংথৌকাবা নুমিৎতা কেপিটেল বেল্টৱেদা অমুক হল্লকখিবনি। মসিগী মমাঙদা মখোয় ৱাশিংতন মেট্রোপোলিটান ইন্টর ষ্টেট হায়ৱেগী মফম খরদা লৈখি। কনভোই অদুগী ওর্গনাইজরশিংনা ফোঙদোকখিবদা মখোয়না য়ুএস কেপিটেলদা মখা তানা প্রোটেষ্ট চথখিগনি। মীওই সেক্সন কয়ানা শৌগৎনখিবা কনভোই অদুগী এক্তিভিটিশিংনা মরম ওইদুনা চথোক চৎশিনদা অকায়বা পীরক্নি হায়না হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা ৱাশিংতন মেট্রোপোলিটান এরিয়াগী পুলিসনা মোটোরিষ্টশিংদা খঙহনখিবনি।

# রসিয়ানা সিটি মঙাগী হ্যুমেনিটরিয়ান কোরিদোরশিং হাংদোকখ্রে



মোস্কো, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):
য়ুক্রেনগী লাঙ্গাই চল্লবা সিটি মঙা কিভ, চর্নিবোগ, সুমি, খর্কোপ, মরিওপোলদা লান মরক্তা পন্দুনা লৈরিবা মীচমশিং হোন্দোকপা য়ান্নবগীদমক হ্যুমেনিটরিয়ন কোরিদোরশিং হাংলে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা লাউথোক্লে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী ওফিসিএল রিপ্রজেন্টেটিব ওইরিবা মেজর জেনরেল ইগোর কোনাসেনকোভনা হায়খি, সেটলমেন্টশিংদগী মীচমশিং অশোয় অঙাম য়াওদনা থোকহনবা নত্তগা হোন্দোকপা য়ানবা লোকেল মতমদা অয়ুক্কী পুং ১০ তাবদগী সিজ ফায়র চৎনল্লে অমসুং সিটি মঙাগী হ্যুমেনিটরিয়ান কোরিদোরশিং হাংলে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুং ইন্না হায়, পন্দুনা লৈরল্লিবা মীওইশিংনা সুমিদগী খা পাঙনা পোলতাভাদা চৎকদবনি। পোলতাভা অসি খারোমদা কিলোমিটর ১৭৫ রোম লাপ্না লৈবা য়ুক্রেনগী সিটি অমনি। মমাঙদা মোস্কোনা য়ুক্রেনিয়নশিংবু রসিয়াদা হোন্দোকপগী ৱাফম হৌদোকখি। তৌইগুম্বসুং মদু মীয়ামগী পুন্সি খুদোংথীবা নঙহনগদবা মেনিপুলেসন অমসুং প্রোপেগন্দানি হায়রদুনা কিভনা রিজেক্ট তৌখি।

য়ুক্রেনগী মায়কৈদগী রসিয়ন ওথোরিটিশিংদা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট ইকায় খুম্নবা তকশিনখ্রে।

য়ুক্রেনগী দিপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর ইরিনা ভেরেসচুক্না ফোঙদোকখিবদা মখোয়না ইন্দিয়া চাইনা অমসুং অতৈ লৈবাকশিংগী ইন্টরনেসনেল মহৈরোয়শিং লান নঙলিবা মফমশিংদগী থোকহনখিনবা থৌরাং তৌরি।

য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা সিটি সুমিদগী সিভিলিয়নশিং থোকখিবা য়ানবা খুদোংথীবা নঙলোইদবা হ্যুমেনিটরিয়ান কোরিদোর হাঙলে হায়বসি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়ুক্রেন অমসুং রসিয়াগী ওফিসিএলশিংনা ফোঙদোরকখি।

মমাঙদা সিভিলিয়নশিং অশোয় অঙাম য়াওদনা চৎখিবা য়ানবা হোৎনখিবশিং মায় পাকখিদবনি।

নাকল অনীনা অমনা অমবু মরাল শিন্নদুনা এটেক্ট তৌনবদগী মমাঙদা লাউথোকখিবা হ্যুমেনিটরিয়ান কোরিদোরশিং হাংবগী থৌরাং মায় পাকখিদবনি।

ফোরেন নেসনেলশিং য়াওনা সিভিলিয়নশিং সুমিদগী থোক্লবা হৌখ্রে হায়না য়ুক্রেনিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখি।

লৈবাক অসিনা রসিয়াদা অসিগুম্বা কোরিদোরশিং মখা তানা হাংনবা আপিল তৌবদগী মোস্কোনা অতৈ সিটিশিংদা পন্দুনা লৈরিবা ফোরেন্নরশিং অমদি সিভিলিয়নশিং হোন্দোকপা য়ানবা অহেনবা কোরিদোরশিং হাংখিবনি।

# হান্নগী রেসিদেন্সিএল স্কুল গ্রাউন্দদা মোঙফম ১৬৯ থেংনখ্রে




ওটাৱা মার্চ ০৮ (এজেন্সী):
হান্নগী রেসিদেন্সিএল স্কুল অমগী গ্রাউন্দদা মোঙফমনি হায়না চিংনবা মফম ১৬৯ থেঙনরে হায়না কানাদাগী অলবর্টা প্রোভিন্সতা লৈবা য়েলহৌমী মীওই কাঙবু অমনা ফোঙদোকখ্রে।

এজেন্সিনা মীওইশিং অদুগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, সেন্ট ভনার্দ মিশন স্কুল কৌবা অমসুং এদমোন্টনগী অৱাং নোংচুপরোমদা কিলোমিটর ৩৭০ রোম লাপ্না লৈবা স্কুল অদু ১৮৯৪ দা রোমান কেথলিক চর্চনা হাংদোকখি অমসুং মদু কুমজা ১৯৬১ ফাওবা ওপরেট তৌখি।

মমাঙদা ত্রুথ এন্দ রিকন্সিলিএসন কম্মিসন্না স্কুল অদুদা থোকখিবা সেক্সুয়েল অমসুং ফিজিকেল এব্যুস, মেন্যুয়েল লেবর অমদি লায়না শন্দোকপগী থৌদোকশিংগী মরমদা সর্বাইবরশিংনা লীবদগী তাখি।

স্কুল অদুদা মেটিসশিংগী অঙাং মশিং য়াম্না লৈখি। সর্বাইবরশিংনা লীবা ৱারীশিং রেকোর্দ তৌরিবা কম্মিসন অসিনা কুমজা ২০১৫ দা ফাইনেল রিপোর্ট ইস্যু তৌখি। সেন্ট ভনার্দতা মহৈরোয় তরা শিখি হায়না কম্মিসনগী রিপোর্টতা পনখি।

কানাদাগী রেসিদেন্সিএল স্কুলশিংদা ফার্ষ্ট নেসন, ইন্যুট অমসুং মেটিসশিংগী অঙাং ১,৫০,০০০ রোম তমখি হায়না পারি। কম্মিসন্না য়ামদ্রবদা মীশি ৪,১০০ রেকোর্দ তৌখি হায়না রিপোর্ট অদুদা পল্লি। কানাদাদা লৈরম্বা ইন্দিজিনস রেসিদেন্সিএল স্কুল সিষ্টেমনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা অঙাংশিং অমদি মদুদগী হিংহৌবশিংবু ইকায় খুম্নবা উৎলদুনা কানাদানা কুমজা ২০২১ গী সেপ্টেম্বর ৩০ দা অহানবা নেসনেল দে ফোর ট্রুথ এন্দ রিকন্সিলেসন সেলেব্রেট তৌখি।

হৌখিবা চহীদা নুমিৎ অদুবু গভর্নমেন্টনা ফেদরেল ষ্টেচুটেরি হোলিদে ওইহনখি। ট্রুথ এন্দ রিকন্সিলেসন কম্মিসন (টিআরসি) না কুমজা ২০১৫ দা গভর্নমেন্টদা তকশিনবদগী নুমিৎ অসিবু হোলিদে ওইহনখিবনি।

কানাদাগী রেসিদেন্সিএল স্কুলশিং অদুদা য়েলহৌমী অঙাং লাক্ষ ১.৫০ রোম তমখি। স্কুলশিং অদুদা তম্লিবা অঙাংশিং অদু মখোয়গী কলচর অমসুং লোনদগী য়ারিমখৈ লাপনহনখি।

সেপ্টেম্বর ৩০ অসি নেসনেল হোলিদেনি হায়না লাউথোকখ্রবসু অলবর্টা, সস্কাটচেৱান, ন্যু ব্রুন্সৱিক, ক্যুবেক অমসুং ইন্টরিও য়াওনা প্রোভিন্স কয়ানা মদুবু রিককনাইজ তৌখিদে।

মসিনা মরম ওইদুনা প্রোভিন্সশিং অসিদা স্কুলশিং অমসুং প্রোভিন্সিএল ওফিসশিং মখা তানা হাংদুনা লৈগনি হায়রি।

# ঈচাওগী রেস্পোন্স তপ্পগী দিফেন্স ফোর্সনা এপোলোজাইস তৌখ্রে



কানবেরা, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):
ওষ্ট্রেলিয়াগী নোংপোক থংবা সমুদ্র মপানদা শাথিবা মওংদা ঈশিং ঈচাও থোকখিবগী রেস্পোন্স পীবদা তপখিবগীদমক ওষ্ট্রেলিয়ন দিফেন্স ফোর্স (এদিএফ) না এপোলোজাইস তৌখ্রে।

সাউদর্ন ক্বিন্সলেন্দ অমসুং নোর্দন সাউথ ৱেলসতা থোকখিবা ঈশিং ঈচাওগী রেস্পোন্সকী চার্জ পুখিবা জোইন্ট টাস্ক ফোর্সকী নেসনেল কম্মান্দর মেজর জেনরেল দেবিদ হোমেনা হায়খি, মদুদি মীওই খরনা এদিএফনা মখোয়বু লংথোকপীখি হায়না থাজখি। তৌইগুম্বসুং আর্মিনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা শাথিরবা ঈশিং ঈচাও অদুদা রেস্ক্যু অমসুং রিলিফকী থবক পাঙথোকখি।

ঈচাওনা অৱাবা নঙহনখিবা কম্যুনিটিশিংনা মতেং পাঙবীয়ু হায়না আপিল তৌবদা মওং মরিল তানা রেস্পোন্স তৌখিদে হায়না এদিএফপু চৈ থাংলকখিবনি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা হোমেনা হায়খি, মদুদি ঈশিং ঈচাওনা অৱাবা নঙহল্লবা মীওই কয়ানা ওষ্ট্রেলিয়ন দিফেন্স ফোর্সকী মায়কৈদগী মখোয়বু মতেং পাঙনবা অমদি কনবীনবা পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা থবক তৌরকখিদে হায়রিবসি তাবদা ঐহাক য়াম্না নুংঙাইতে।

মসিগীদমক্তা ঐহাক্না অৱাবা নঙলবশিংদা দিফেন্স ফোর্সকী মহুৎ শিল্লগা এপোলোজাইস তৌরি।

নুমিৎ খরনিগী মনুংদা নোংকন্না চুবদগী ক্বিন্সলেন্দ অমসুং ন্যু সাউথ ৱেলসকী মফম খরদা ঈশিং ঈচাও থোকপদা বিল্ডিং লিশিং কয়া অমাঙ অতা থোকখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই ১৭ শিখিবনি।

# য়ুএসতা চয়োল অমগী মনুংদা অঙাংশিংদা থেংনবা কোভিদ কেস মশিং ১০০,০০০ য়ৌদ্রে



ৱাশিংতন, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):
অমেরিকন একাদেমি ওফ পেদ্রিয়াট্রিক্স অমসুং চিলদ্রেন্স হোস্পিটাল এসোসিএসনগী খ্বাইদগী নৌবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না কুমজা ২০২১ গী ওগষ্টতগী অহানবা ওইনা য়ুএসকী অঙাংশিংদা চয়োল অমগী মনুংদা থেংনবা কোভিদ ১৯ কেস মশিং ১০০,০০০ য়ৌদ্রে।

এজেন্সিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা রিপোর্ট অদু পল্লদুনা হায়, মার্চ ৩ দা লোইখিবা চয়োলদা অহেনবা অঙাং ৬৯,০০০ দা কোভিদ ১৯ কেসশিং দিটেক্ট তৌখি।

মসি হৌখিবা চহীগী ওগষ্ট মতুংদা য়ুএসকী অঙাংশিংদা থেংনবা কোভিদ কেস মশিং ১০০,০০০ য়ৌদবগী অহানবা রিপোর্টনি।

জনুৱারী ২০ না লোইখিবা চয়োলদা অনৌবা কেস ১,১৫০,০০০ হাপচিনখিবদগী পেন্দামিক অসিদা মসিনা অঙাংশিংদা কোভিদ ১৯ কেস মশিং হন্থরকপদা থংন থংননা তরুকশুবা চয়োলনি। অঙাংশিংদা কোভিদ ১৯ কেস ৱাংলকখিবসি মরু ওইনা ওমিক্রোন ভেরিয়েন্ট কন্না শন্দোরক্লিঙৈ কুমজা ২০২২দনি। জনুৱারীদগী হৌজিক ফাওবদা অঙাংশিংদা কোভিদ কেস মিলিয়ন ৪.৮ হেন্না থেঙনখি। কুমজা ২০২০গী অঙনবা শরুক্তা মীওই অসিদা কোভিদ লাইচৎ হৌরকখিবদগী অঙাং মিলিয়ন ১২.৭ হেন্না লায়না অসি পোজিটিব ওইখি। রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না কেসশিং অসিগী ৬৭০,০০০ দি হৌখিবা চয়োল মরি অসিদা হাপচিনখিবনি। কুমজা ২০২১ গী সেপ্টেম্বরগী অহানবা চয়োলদগী য়ুএসতা অহেনবা কোভিদ কেস মিলিয়ন ৭.৭ রোম অঙাংশিংদা থেংনখি। লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবদা য়ুএসনা মালেমদা খ্বাইদগী হেন্না কোভিদ কেসশিং য়াম্বা লৈবাক ওইখি।

ꯑꯔꯖꯦꯟꯇ ꯖꯣꯕ

URGENT JOB NEWS

Government Regd. No. Kj/65(com.estt) of 2016

(First come & First Chance)

| Sl. | Name of Post | Salary | Post | Qualn. |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Direct Selection and Regular Post of Airport & Airlines. Post Vacancy of Bangalore, Kolkata Guwahati & Hyderabad. Training with Placement of Fresher & Exper. | | | |
| | i. G-CSA Officer/Air Ground Staff (M/F) | 40,000 – 50,000 | 40 | G/M |
| | ii. VIP Lounge Staff /Meet & Asst. (M/F) | 18,000 – 25,000 | 25 | XII/G |
| | iii. Station Manager/Ground Instructor(M) | 57,000 – Above | 30 | Degree |
| | iv. Security Supervisor/Flight Attendant(M) | 46,000 – Above | 30 | XII/G |
| | v. Co-Pilots/Fist Officer/Commands (M) | 75,000 – Above | 45 | XII/G |
| | vi. Security Guard/Ground Staff(M) | 30,000 – Above | 30 | X/XII |
| | vii. G-Driver/G-loader/Cargo Loader(M) | 20,000 – Above | 100 | VIII/X |
| | viii. Cabin Crew/Air Ground Staff(M/F) | 45,000 – Above | 20 | XII/G |
| 2. | Banking Staff Recruitment of Nationalized Bank. | | | |
| | i. Operational Staff (M/F) 25 yrs | 18,000 – Above | 20 | G/M |
| | ii. Account opening Staff (M/F) 26 yrs | 18,000 – Above | 20 | G/M |
| | iii. Loan Officer Staff (M/F) 30 yrs | 18,000 – Above | 20 | G/M |
| 3. | Wanted Immediately for Security Guard in Assam & Pune. | | | |
| | i. Security Guard(M) | 18,000 – EPF | 50 | VIII/X |
| | ii. Ex-Servicement (M) | 30,000 – EPF | 50 | VIII/X |
| 4. | In Imphal post vacancy 100% Success Guide | | | |
| | i. Security Guard/Ladies Guard(M/F) | 6,000 – Above | 40 | VIII/X |
| | ii. Ex-Servicemen/Security Sup. (M) | 8,000 – Above | 30 | VIII/X |
| | iii. Security Gunman Guard(M) | 10,000 – Above | 20 | VIII/X |
| | iv. Office Reception/Micro Finance(R.O.) | 4,500 – Above | 05 | X/XII |
| 5. | No Deposit work at Imphal | | | |
| | i. Office Managerial Staff(M/F) | 8,000 – Above | 100 | VIII/X |
| | ii. Chowkidar & Helper (Couple) | 10,000 – Above | 05 | VIII/X |
| | iii. Local Driver (407 TATA/D.I.) | 10,000 – Above | 10 | VIII/X |
| | iv. Manager (M) | 10,000 – Above | 02 | XII/G |
| | v. Juice Selling Workers (20 to 50 yrs) | 5,000 – Above | 10 | VIII/X |
| | vi. VIP Driver (Light Vehicle) | 7,000 – Above | 05 | X/XII |
| | vii. One Male Warden cum teacher | 11,000 – 16,000 | 02 | B.Ed. |
| | viii. Mothers cum Cooks | 6,500 – 10,000 | 03 | VIII/X |
| | ix. Female Helper | 5,500 – Above | 05 | VIII/X |
| | x. Accountant (with Tally) (M) | 14,000 – Above | 02 | XII/G |

Date of Submission : 15-03-2022
Date of Interview : 16-03-2022
Pliz Contact : +91 9774361669 / 8131087993
Office Hour : 10.00 a.m. to 3.30 p.m.

*Please Contact & Concern*
**Emoinu Job Consultant**
Keishampat Opp. CCpur Bus Parking
Near Poknapham Press Gate

HL-P/1661/2,4,7,9,11